# মাপলশুবা এসিয়ন জুনিয়র চেম্পিয়নশিপ্তগী সান্দা মশান্নদা গোল্ড মেদল লৌরকখিবী নাওরেম রোশিবীনা

(হান্নগী মখা...)

কুমজা ২০১৩দা কর্ণাটাকাদা তৌখিবা ১৩শুবা সব জুনিয়র চেম্পিয়নশিপ্তগীদি গোল্ড মেদল লৌবা অদুম ঙম্লকখ্রে। সাই, এস এ জিদা লৈরগা শান্নরকপা প্লেয়র ওইরকপনা দাইটকীদি অৱাবা থোইনা লৈরকখিদে। ত্রেনিংসু ওজা বিকেন, ইচেশিং হৌজিক্কা সার প্রেমকুমার ওজা ময়াম্না তাকপীরকপদগী হৌজিক্তি শান্নবসিসু ফোর্ম খরদি তাবসু ঙম্লক্লে। সাইদা ঐনা অহানবা লাকখিবা মতমদুদদি চহী ১২ চঙলকপদা ঙাইরিবা ওইদুনা খরসু পীক্লি। ঐগী ওইনদি লাইরিকসিসু সাইদা লৈরগা মথং মথং তমজরকপনা হৌজিক্তি ক্লাস নাইন য়ৌরে। ঐনা হৌজিক তল্লিবা স্কুলসিনা পোরোম্পাৎতা লৈবা এস আই একাদেমিদা তম্মী। স্কুলসিদা য়াম্না চাং নাইনা কাবা হায়বদুদি ওইদ্রে। মরমদি ইন্দিয়া কেম্পতা মতম শাংনা লৈখ্রগদি লাইরিক্কদি খরা লাপথোকনৈ। অদুবু ইন্টরনেসনল শান্নবা চৎলুরবসু হেক হল্লকপা নোংমা নীনি লৈরগদি স্কুল কাদবা য়াদে। লাইরিক লাইশুগী মতাংসিদি সেনিয়র ইচেশিংনা তাকপীবসু য়াওই। রুমমেট ওইনা সেনিয়রশিংগা লৈমিন্নবসিসু নুংঙাই। য়াম্না চহী নৌনা সাই এস এ জিদা শান্নরোয় ওইনা চঙলকখিবী রোসিবিনা চহী অমগী মতুংদগীদি ব্রোঞ্জ, শিলভর, গোল্ড মথং মথং লৌবা ঙম্লকখি।

শান্নবদা পূক্লিং চঙবা, হায়বা ইনবা, হোৎনবা কনবনা মরম ওইরগা রোশিবীনা য়াম্না থুনা ইমপ্রুভ তৌরকখি। শান্নরোয় অমগী অশেংবা মগুণ চেন্দুনা পোল্লুকখিবা ওইবনা তপ্না তপ্না কাখৎলক্লি। কুমজা ২০১৪দা মধ্য প্রদেশতা তৌখিবা ৬০শুবা নেসনল স্কুল গেমস অন্দর-১৯ গী চাংয়েংনবদসু রোশিবীনা সনাগী মেদল লৌবা ঙম্লকখি। কুমজা ২০১৫ গী মার্চ থাদা হরিয়ানাদা পাঙথোকখিবা ১৪শুবা সব জুনিয়র নেসনল ৱুশু চেম্পিয়নশিপ্তসু সনাগী মেদল লৌরকখি। মখা তারকপা কুমজা ২০১৬কী মার্চ থাদা হরিদ্বারগী মণিদদা তৌখিবা সব জুনিয়র নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তসু রোশিবীনা সনাগী মেদল ফংলকখি। মমাঙ চহী কুমজা ২০১৬ তগীদি ইন্দিয়া কেম্পতা য়াওদুনা ত্রেনিং তৌবা হৌরকখি। লোয়নমা মমাঙ চহীগী সেপ্তেম্বর ২৬তগী ওক্তোবর ৩ ফাওবা বলগেরিয়াদা পাঙথোকখিবা ৬শুবা ৱর্ল্ড জুনিয়র ৱুশু চেম্পিয়নশিপ্তা রোশিবীনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখি।

ৱুশুগী জুনিয়র প্লেয়র অসিগী মতাংদা হৌজিক হৌজিক সাইগী কোচ ওইরিবা প্রেমকুমারনা হায়, রোশিবীনা অসি ঐহাক্কদি ২০১৪ দগী থেংনজবনি। মহাকসি হায়বসু য়াম্না ইনবা অঙাং ওই। চহী অহুম/মরিগী মতমসিদা ফিজিকেল্লি, মেন্টেল্লি ফজনা ইমপ্রুভ তৌবা ঙম্বগা লোয়ননা মাগী ওইনা থম্বা টার্গেটসি হোৎনবা কনবনিনা য়ৌবসু হেক্তা ঙমখি। য়াম্না য়াঙবা স্পিদ অমদা জর জর কাখৎখিবা প্লেয়রশিংগী মনুংদা মহাকসিসু অমনি। কোচনা তাকপসি মুন্না মুন্না তাবগা লোয়ননা কন্না হোৎনবনিনা তাকপী তম্বীবা মতমদসু য়াম্না নুংঙাইবা অঙাং ওই। হন্দক মণিপুরদগী নাইন এসিয়ন জুনিয়র ৱুশু চেম্পিয়নশিপতা শান্নরুবসি প্লেয়র মঙানি। মখোয়সু লোইনমক ব্রোঞ্জ লৌরকখি।

মমাঙ চহীদা বলগেরিয়াদা ৱর্ল্ড জুনিয়র ৱুশু চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াবা মতমদুদদি রোশিবীনাসি কেজি ৪৮গী কাঙলুপ্তা শান্নহনখি। মদুদা ব্রোঞ্জ লৌরকখি। অদুবু হন্দক্তা সাউথ কোরিয়াদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন জুনিয়র চেম্পিয়নশিপ অদুদদি কেজি ৬০গী কাঙলুপ্তা কম্পিটিসন য়াওহনখি। মহাক্কী ৱেথসি খঙহেন হেঙ্গৎহল্লগা শান্নহল্লি হায়দুনা কোচ ওইজরিবা ঐঙোন্দসু কমপ্লেন তৌরকপা ময়াম অমা লৈ। অদুবু রোশিবীনাদা তোঙানবা মগুন খরা য়াওবদু উবদগী ঐহাক্না মথং চহীদা ইন্দোনেসিয়াগী জকারটাদা তৌগদৌরিবা ১৮শুবা এসিয়ন গেমসতা মিৎয়েং থম্লগা মহাকপু শেমগৎলকপনি। নুপীগী ওইনা শুপ্নগী ৱেথ কেটাগোরি অনী য়াওবসিগী মনুংদা অমদদি শরুক য়াহনগে হায়না হোৎনজবনি। কোচ অমা ওইনা মথং চহীগী এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়াগীদমক গোল্ড মেদল লৌহনগে হায়বসি ঐগীসু পূক্লিংদা চেৎনা লৈজে। - লোইরবা-



## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

### ৱুশুদা মিৎয়েং অমা

HL-P/2553/25,27,29Sept.1,3,5,7Oct.

# থাঙ-তাগী ত্রেনিং হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০২ (ঐচএনএস) : খ্বাই মার্সেল আর্টস একাদেমিনা শিন্দুনা নুমিৎ ১৪নি চূপ্না চথুগদবা থাঙ-তা, শরিৎ শরাৎ অমসুং ইশা ঙাকথোকচনবা মহৈ শিন্দম্বা উরিপোক অচোম লৈকায় ইম্ফালগী খুন্দোংবম মাদবতা ঙরাং হৌদোকখ্রে হায়না খ্বাই মার্সেল আর্টস একাদেমিগী সেক্রেটরি আর কে নুকেসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থাঙ-তা, শরিৎ শরাৎ অমসুং ইশা ঙাকথোকচনবা মহৈ চয়োল অনী শিন্দম্বা অদুদা মশা ঙাকথোকচনবগী মহৈ তমগদবা শান্নরোয় নুপামচা ৪০ অমসুং নুপীমচা ১০ রোম য়াওনা পূন্না শান্নরোয় ৫০ রোম্না শরুক য়াখি।

ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদু হৌদোকপগী থৌরমদা নুপীমচা অমদি নুপামচাশিংনা মখোয়না হৈজবা লৈতেং থাঙহাই, থাঙ য়ান্নবা অমদি থাঙ-তাগী খোঙচৎনচিংবা মীয়ামদা উৎখি। শিন্দম্বা হৌদোকপগী থৌরম অদুদা সলাম বিরেন্না অথোইবা মীথুংলেন, লাইশ্রম সুরেন্দ্রনা থৌরম মপূ, তৌরাংবম ইন্দ্রজিৎ মীতৈ কোওর্পোরেটর আই এম সী ৱার্দ নম্বর ৬, বি শান্তি শর্ম্মা অমসুং এন তোম্বীরাজনা ময়ায় তাংবলদা ফমখি হায়না খ্বাই মার্সেল আর্টস একাদেমিগী সেক্রেটরি আর কে নুকেসনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

HL-B/4125/15/9-14/10







# ৱর্ল্ড নম্বর ৱান গার্বিন মুগুরুজা অমসুং য়ু এস ওপন ৱিন্নর স্লোনি ষ্টেফেন্স চাইনা ওপন্দগী মপান থোকখ্রে





বৈজিং, ওক্তোবর ০২ (এজেন্সি) : ৱর্ল্ড নম্বর ৱান গার্বিন মুগুরুজা অমসুং য়ু এস ওপনগী ৱিন্নর স্লোনি ষ্টেফেন্স অহানবা রাউন্দগী মেচশিংদা মায়থীহৌদুনা চাইনা ওপন্দগী য়াম্না ঙন্না মপান থোকখ্রে।

অহানবা রাউন্দগী মেচ ওইনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান গার্বিন মুগুরুজানা চেক রিপব্লিক্কী বাগোরা ষ্ট্রাইকোভাগা ঙসি শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা সেটতা বাগোরা ষ্ট্রাইকোভাগী মখূৎতা মুগুরুজানা ৬-১দা মায়থীহৌখি। অনীশুবা সেটতা মহাক্না ২-০দা মাঙজিল থাবা ঙম্লম্লবা মতুংদা মশা ঙমদবদগী মুগুরুজানা মেচ অদু মখা তানা শান্নবা ঙম্লরোই হায়না লেপখিবনি।

চাইনা ওপন্দগী মপান থোকখ্রবা মতুংদা মুগুরুজানা হায়খি, ৱুহান্দা ভাইরস অমা থেংনদুনা হকচাং ঙমদনা লৈরক্লি। মদুনা মরম ওইরগা বৈজিংদা নিংথিনা প্রেক্টিশ তৌবা ঙমদ্রে। মতম খরা পোত্থাবনা মতেং ওইরগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অহানবা রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদনা য়ু এস ওপনগী ৱিন্নর স্লোনি ষ্টেফেন্স অমসুং অমেরিকাগী খৃষ্টিনা মেকহেল শান্নখি। মেচ অদুদা খৃষ্টিনা মেকহেলনা স্লোনি ষ্টেফেন্সপু ৬-৩, ৬-০দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

অতোপ্পা মেচ অমদনা পেং স্বাইনা অমেরিকাগী সেলভি রোজরসপু ৭-৬ (৩), ৩-৬, ৭-৫দা মায়থীবা পীখ্রে। পেং স্বাইনা অনীশুবা রাউন্দদা রোমানিয়াগী মোনিকা নিকুলেসকুগা থেঙ্গাইনরগনি।

# বার্সেলোনা, রিএল মেদ্রিদ মায় পাকখ্রে

মেদ্রিদ, ওক্তোবর ০২(এজেন্সি) : স্পেনিস লীগকী ঙরাং শান্নখিবা মেচশিংদা বার্সেলোনা অমসুং রিএল মেদ্রিদ মায় পাকখ্রে। রিএল মেদ্রিদনা ইস্পানয়োলগা শান্নখি। মেচ অদু য়ূম্বু ওইরিবা রিএল মেদ্রিদনা গোল ২-০দা মায় পাকখি। রিএল মেদ্রিদকী মায় পাকপগী গোল অদু ইস্কোনা চনখি। অতোপ্পা মেচ অমদনা বার্সেলোনানা লাস পলমাসকা শান্নখি। মেচ অদুদা বার্সেলোনানা লাস পলমাসপু ৩-০দা মায়থীবা পীখি। বার্সেলোনাগী লিওনেল মেসিনা গোল ২ অমসুং সর্গিও বুসক্রেটসনা গোল অমা চনখি।

Congratulation H. Sadananda

**All Manipur Rokitball Association** গী President গী থৌসু পুবীরিবা *পোক্নফম* পাউচেগী স্পোর্টস জর্নেলিষ্ট **হৈগ্রুজম সদানন্দ**-দা মণিপুর প্রোলিতরিএত পীপলস দেমোক্রেটিক য়ুনিয়ন, সোসিএলিষ্ট ষ্ট্যুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর অমসুং ষ্ট্রগল কম্মিটি মণিপুরনা স্পোর্টস জর্নেলিষ্ট এৱার্দ খুৎশিন্নবীরকপদা All Manipur Rokitball Association গী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

*Sd/- W. Kamalini Devi*
*General Secretary*
All Manipur Rokitball Association

HL-P/2858/3

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৫৭

১. ইন্দিয়াগী হোকি চীফ কোচ ওইনবা ওজা মপান লৈবাক্তগী নেকই। মখোয়না তন্বীবদা পেন্দ্রবদি মখোয়বু থবক্তগী লৌথোকই। অসিগুম্বা কোচ অহুম মথং মথং লৌথোকখি। মখোয়গী মহুৎ অনৌবা অমা খন্দ্রিঙৈদা নিপা অমবু অহুল্লক ওইনা হোকি ইন্দিয়ানা চীফ কোচ ওইনা থবক তৌহল্লি। মহাক্কী মমিং করি কৌবগে?

২. ওলেম্পিক্কী শুটিংদা শিলভর মেদল ফংখিবা রাজ্যভরধন রাথোর পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর ওইখি। মহাক্কুম্না ওলেম্পিক্কী শুটিংদা শরুক য়াখিবা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর অমগী মমিং হায়য়ু।

৩. 'বালনাল মাক্কী' করম্বা মশান্নদা শীজিন্নবা ৱাহৈনো?

৪. ইম্ফালগী সাইনিক স্কুলদগী হৌখিবা মহৈরোয় অহুম ফুটবোলদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নবদা মমিং চৎপা শান্নরোয় ওইখ্রে। মখোয়গী মনুংদা অনী অমদি সমাটো সৈজা অমসুং নোংদম্বা নাওরেমনি। অহুমশুবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ক্লব অমদা শান্নরম্বা অদু কনানো?

৫. উৎলিবা শান্নরোয় অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্তোবর ১৫ নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

